C-AVZ-O-NOLB

# MANIPURI

## Paper II

## ( LITERATURE )

| Time allowed : **Three** Hours | Maximum Marks : 250 |
|---|---|

---

### QUESTION PAPER SPECIFIC INSTRUCTIONS

***Please read each of the following instructions carefully before attempting questions :***

*There are **EIGHT** questions divided in **TWO SECTIONS**.*

*Candidate has to attempt **FIVE** questions in all.*

*Questions no. **1** and **5** are compulsory and out of the remaining, any **THREE** are to be attempted choosing at least **ONE** from each section.*

*The number of marks carried by a question/part is indicated against it.*

*Answers must be written in **MANIPURI (Bengali Script)**.*

*Word limit in questions, wherever specified, should be adhered to.*

*Attempts of questions shall be counted in sequential order. Unless struck off, attempt of a question shall be counted even if attempted partly. Any page or portion of the page left blank in the Question-cum-Answer Booklet must be clearly struck off.*

---

## SECTION A

**Q1.** মখাগী ৱাহংশিং অসি ৱাহৈ 150 দগী হেন্দনা খুম্মু : *10×5=50*

(a) নুমিৎ সনা খোমদোন অতোনবনা লোৎখ্রবদা লৈবাক্তা করি করি অৱা অনা থোকখিবগে ? শন্দোক্লা ইয়ু । *10*

(b) চীংথে থানবীগী হৈশিংবা, পাইরক্কী লৌশিং লৈবা অমদি মথৌনা ফবগী খুদম 'থৌৱান থাবা হিৱান' দা করম্না উৎপগে ? ইয়ু । *10*

(c) পীতঙঙানা মপুরোইবগী থৱায় করম্না কনখিবগে ইরকউ । *10*

(d) 'রামায়ণ আদি কাণ্ড' দা দশরথ নিংথৌনা করম্না শাপ ফংখিবনো অমসুং শাপ অদুনা দশরথকী পুন্সিগা করি মরি লৈখিবগে ? শন্দোক্লা ইয়ু । *10*

(e) 'ধনঞ্জয় লাইবু নীংব'দা ৱাফমনা পীনিংলিবা পাউজেল অদু মপুং ফানা নৈনৌ । *10*

**Q2.** (a) খ্বাই নুংজেংবম পিবানা কাপখিবা নুমিৎকী নুংগী ওইবা ৱাহঙ্গোক পিবগা লোয়ননা 'নুমিৎ কাপ্প' দা য়াওরিবা লৈঙাক্লোনগী ওইবা মশকশিং মপুং ফানা নৈনৌ । *20*

(b) 'সমসোক ঙম্ব' ঐতিহাসিক কাব্য অমা ওইনা নৈনরকউ । *15*

(c) পান্থোইবীবু অহানবদা নিংথৌ অমগীদমক হায়রবদা মহাক্লা য়াখিদ্রিবা করিগীনো ? করম্না ৱাংঙপ্লোন অসিবু খাবা শোকচ্রোংবগী মচানুপাদা থাজখিবগে ইরকউ । *5+10=15*

**Q3.** (a) মৈদিংঙু থৌৱাম্থাবগী শক্তম 'থৌৱাম্থাবা হিৱান' দা করম্না য়েফপগে ইয়ু । *20*

(b) 'ধনঞ্জয় লাইবু নীংব'দা ধনঞ্জয় অমসুং লৈম ভানুগী করম করম্বা মতীক মগুনশিং উবা ফংবগে ? মতৌ করম্না মখোয় অনী অরোইবদা খুদোংথিবা থৌদোকশিংদগী কনজবা ঙমখিবগে ? শন্দোক্লা ইয়ু । *10+5=15*

(c) মণিপুরী রামায়ণগী শুপচিল্লবা মশক্তি 'আদি কাণ্ড' দগী খঙবা ঙম্নি হায়বসি কদায় ফাওবা য়ানীংবগে ইরকউ । *15*

**Q4.** (a) 'পান্থোইবী খোঙ্গুল' দা পান্থোইবীবু করম্না উৎপগে ? নোংপোক নিংথৌ অমদি পান্থোইবীবু খাব শাগৈনা করম্না লাৎখিবগে, ইয়ু । *10+10=20*

(b) 'চন্দ্রকীর্ত্তি জিলা চঙব'দা য়াওরিবা মতম অদুগী নাৎকী ওইবা চৎন-লোনচৎশিংগী মশক উৎপগা লোয়ননা খোঙচৎ অদু করম্না মায় পাক্লকখিবগে ? ইরকউ । *15*

(c) নাউথিংখোংবু 'নুংশি থৌকাউ য়াঙবা', হায়খিবা ৱা ঙাক্তবা মীশক্লি হায়বসি কদায় ফাওবা য়ানীংবগে ইরকউ । *15*

## SECTION B

**Q5.** মখাগী ৱাহংশিং অসি ৱাহৈ 150 দগী হেন্দনা খুন্মু : *10×5=50*

(a) কমলগী 'নিজর্জনতা' হায়বা শৈরেংদা কবিনা ফোঙদোক্লিংলিবা মরু ওইবা ৱাফমশিং শন্দোক্লা ইয়ু । *10*

(b) জহেৱাগী নুংশিবদি নীংনবদা লৈ, কুঞ্জোগীদি থুংনবদা লৈ । মসিমক্লা উপন্যাসসিগী অৱা পোলোইনবগী অচৌবা মরম অমনি নৈনৌ । *10*

(c) লাই হরাওবগী নোংমগী থৌরম পরেংশিং অদু করি করিনো ইয়ু । *10*

(d) থাংজিং হরাওবদা অঙনবা মতমদা চৎনরম্বা লৈ লাংবগী তোপ তোপ্পা থৌরমগী মরমদা মরিক চুন্না ইয়ু । *10*

(e) অইবগী খুৎলাম্বোক্তা ফাগী অমসুং করেম্নবগী মশক 'নোংথক খোংনাং' দা যুম্ফম ওইরগা তাকউ । *10*

**Q6.** (a) 'খম্ব-থোইবী শৈরেং' গী মপুং ওইবা শৃঙ্গাঁর রসকী খোঙদৌ 'শন সেনব' দগী য়েক্লিবা মশক অদু নৈনবগা লোয়ননা থোইবীনা কম্বী থক্কী লেপ্লেঙুম অৱা মৈচাক খাঙখিগী মরম মরিক চুন্না ইয়ু । *20*

(b) 'লমন' দা অইবগী ৱারী পরিং শেম্বগী হৈশিংবা অমসুং উপন্যাস অসিগী পোলোইদা পুখৎলক্লিবা মরু ওইবা ৱাফমশিং শন্দোক্লা নৈনৌ । *15*

(c) 'থম্বালদি মচাশিংবু নুংশিজদুনসু ঈংলবা ঈপাক্তা নিংথিনা শাৎপা ঙমখিদ্রে' শাৎপা ঙমখিদ্রবা থম্বালগী ৱারী লীরকউ । *15*

**Q7.** (a) ললিতকী 'অরেপ্পা মরূপ' সামাজিক ড্রামা অমা ওইনা নৈনবগা লোয়ননা অইবনা ড্রামা অসিদা উৎপা পামলিবা ৱাফমশিং মপুং ফানা ইয়ু । *20*

(b) 'ইম্ফাল অমসুং মাগী ইশীং-নুশীৎকী ফীভম' দা ইমালৈবাকপু 'খোংনেৎফম লৈত্রবা লৈকংলা' অমসুং 'পোকথায়হৌদৌরবা মৈগী চীংনী' হায়রিবগী মরমশিং নৈনদুনা তাকউ । *15*

(c) নীলকান্তগী 'মণিপুর' শৈরেংনা অনৌবা মণিপুরী সাহিত্যগী মোদর্নিজমগী খোঙহৌনি হায়বগী মরম নৈনৌ । *15*

**Q8.** (a) অঙাংহলনা 'জহেরা' দা উৎলিবা সমাজগী সমস্যাগী মশক তাকপগা লোয়ননা সমস্যা অদুগী ৱারোইশিন করম্না থল্লম্বগে ? শন্দোক্না তাকউ । *20*

(b) 'ঐগী থাহৌদ্রবা হৈতুপ লালু' দা লানগী অৱা-চৈথেং করম্না য়েকপগে ইরকউ । *15*

(c) ফজবদি পোত্তা খর, অদুগা মপূংনা ভাবোক্কী পূক্লিং ৱাখলদা লৈবনি হায়বসি নীংথিনা নৈনরকউ । *15*